*কোরানাভাইরস ঃ*

# পি এম মোদিনা লাওথোকখিবা জনতা কর্ফ্যুদা লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা য়ূম–য়ূমদগী মপান থোক্লখিদ্রে



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২(এজেন্সি)ঃ***

মালেমগী মফম পূন্নমক্তা য়ান্না থুনা শন্দোরক্লিবা কিনিংঙাই ওইরবা অনৌবা কোরোনাভাইরস, কোভিদ–১৯ শন্দোকপা মায়োক্লনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাওথোকখিবা জনতা কর্ফ্যু পাংথোক্লবা মীয়াম্না ঙসি য়ুম–য়ুমদগী মপান থোক্লখিদ্রে।

ঙসি অয়ুক জনতা কর্ফ্যু হৌদিঙৈগী মাঙওইননা লৈবাক মীয়ামদা পীবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ৱারোলদা সিটিজেনশিংদা য়ুমদা লৈনবা আপিল তৌখি। ঙসি ঐখোয়না লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসিনা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা মতেং ওইগদৌরিবনি হায়না মহাক্না ত্বিট তৌখি।

মালেমগী মফম পূন্নমক্তা শেন–থুমগী ফিভম পূন্নমক কায়হল্লবা অমসুং মীওই লিশিং কয়া হাৎখ্রবা য়ান্না শাথিনা লৌনগনবা কোভিদ–১৯ থেংননবগীদমক য়ান্না মরুওইবা চাংয়েং অমা ওইনা মীয়াম পূন্নমক য়ুম মনুংদা লৈনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শগোলশেল নুমিৎতা সিটিজেনশিংদা আপিল তৌখি।

কোভিদ–১৯গী অকিবা অসিদা চংশিল্লিবা লান্থেংদা হায়নিংঙাই লৈতনা মপাঙ্গল কনখৎহল্লগদবা কর্ফ্যু অসিদা ঐখোয় পূন্নমক শরুক য়াশি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঙসি কর্ফ্যু হৌদ্রিঙৈ মিনিৎ খরগী মমাঙদা ত্বিট তৌখি।

জনতা কর্ফ্যু অসিদা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা লৈবা লম্বীশিংদা গাড়ীনচিংবা অমত্তা চৎনখিদ্রে। লম্বী–লমজাও পূন্নমক পুংহাং হাংখ্রে। ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়া গেট তাবা পাক চাওরবা রাজপথ রোদ অদু মী তাকখ্রে।

মুম্বাইদা মীয়ামগী চখোক–চৎশিনগী থবক তোক্তুনা মশীং য়াল্লবা ওটোরিক্সোশিং অমসুং বসশিং মচি লেংদনা পরোং শাংনা–শাংনা খামদুনা লৈখ্রে।

পুং ২৪গী জনতা কর্ফ্যু অসিদা মীয়ান্না থৱাই–হকচাং য়াওনা শরুক য়াদুনা য়ুমদগী মপান থোকখিদবনা অয়ুক্তা হকচাংগী শাজেল ওইনা খোঙনা চৎপগী খ্বাইদগী হেন্না পান্নরবা লক্ষ্ণৌগী মমিং চৎলবা অম্বেদকর পার্ক অদুসু ঙসি পুমচিক–চিকখ্রে। লক্ষ্ণৌগী মমিং চৎলবা রুমি দরৱাজা অমসুং ইমামবরা মনাক্কী লম্বী পুম্বা পুমহাং হাংখ্রে।

কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসিদগী মালেমগী ওইনা মীওই ১৩,৬৭১ শিখ্রে। মীওই বিল্লিয়ন ১ রোম মখোয় মখোয়গী য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈখ্রে।

জনতা কর্ফ্যু অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭তগী হৌখি অমসুং নুমিদাং পুং ৯দা লোয়শিনখি।

অদুবু লক্ষ্ণৌদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর য়োগী অদিত্যানাথনা হৌজিক চখরিবা জনতা কর্ফ্যু ষ্টেট অসিগী ওইনা হয়েঙ নিংথৌকাবগী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা মতম শাংদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা লক্ষ্ণৌ, ঘাজিয়াবাদ অমসুং নোইদাদা মার্চ ৩১ ফাওবা লোকদাউন তৌনবসু লাওথোক্লবা য়াই হায়রি।

লৈবাক অসিদা অতৈ মেট্রোশিংদা তৌরিবা অদুগা মান্ননা লক্ষ্ণৌ মেট্রোসু মার্চ ৩১ ফাওবা সার্ভিসশিং লেপ্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

তামিল নাদুদগী লাকপা পাউনা ষ্টেট অদুগীসু হয়েঙ নিংথৌকাবগী পুং ৮ ফাওবা জনতা কর্ফ্যু চত্থনবা মতম শাংদোকখ্রে।

তামিল নাদুদা জনতা কর্ফ্যু মনুংদা চেন্নাইগী জি এস টি রোদ য়াওনা লম্বী পূন্নমক পুংচিক চিকখ্রে। অয়াম্বা মফমদা রেষ্টোরেন্ট, হোটেল, লম্বী নাকনগী চান–থক্লবা য়োনফমশিং অমসুং অতৈ দুকানশিং থোঙ লোনখ্রে। গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা কোভিদ–১৯ অনাবশিং লায়েংলিবা রজিব গান্ধী গভর্ণমেন্ট জেনরেল হোস্পিটাল অমসুং ষ্টেনলি হোস্পিটাল য়াওনা হোস্পিটালশিং অমসুং শঙ্গোম য়েনথোকপগুম্বা এসেন্সিয়েল সার্ভিসশিং মহৌশাগুম থবক তৌখি।

# কোরোনাভাইরসতগী মালেমগী ওইনা মীওই ১,৩,৬৮৯ শিখ্রে, বিল্লিয়ন ১ য়ুমদগী হেন্দোকহনখিদ্রে

***রোম, মার্চ ২২(এজেন্সি)ঃ***

মালেমগীওইনা কোরোনাভাইরস লাইচৎতা শিবা মীগী মশীং ১৩,৬৮৯ য়ৌখিবগা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা মালেমগী অকোয়বদা মীওই বিল্লিয়ন ১রোমনা মখোয়গী ময়ুম–ময়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈখ্রে।



নোংমখক্তদা রেকোর্দ অমা য়ৌনা শিখ্রবা মতুংদা লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী শাথিন্না শোকহল্লবা ইটালিদা ফেক্টরিশিং থিংজিনখ্রে। মালেমগী মফম কয়াদা লৈবাক ৩৫ রোমদা তমথিবা হেনগৎলক্লিবা কোভিদ–১৯ পান্দেমিকনা তঙাইফদনা থবক–ইনখাং পূন্নমক থিংজিনখিদুনা মীয়ামগী পুন্সি, চখোক–চৎশিন, লল্লোনইতিক পূন্নমক্তা অকায়বা থোকহনখ্রে। গভর্ণমেন্টশিংনা বোর্দরশিং থিংজিনখ্রে।

ভাইরস অসিনা থোকহল্লিবা ইকোনোমিকক্কী অকায়বা ময়াম অসি থিংনবা লৌখৎপা ইমর্জেন্সিগী থৌরাংশিংদা দোল্লর বিল্লিয়ন চা কয়া খরচ তৌগদৌরি।

হৌজিক কোভিদ–১৯না মালেম পাকশনবদা মীওই লাক্ষ ৩ হেন্না নাখ্রে। অদুগা লাইচৎ অসিগী ফিভম অসি ইটালিদনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিনা অরুবা ওইরি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবা পুন্না মীওই ৪,৮০০ হেন্না শিখ্রে, মসি মালেমগী ওইনা পুন্না শিবা মশীংদগী অহুম থোকপগী শরুক ১ হেল্লবনি।

ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপ কোন্টেনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা অহিং অথেঙবদা টিভিদা পীখিবা ৱারোল অমদা নন এসেন্সিয়েল ওইবা ফেক্টরি পূন্নমক থিংজিন্নবা লাওথোকখ্রে।

মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা শন্দোকখিদ্রিঙৈ মমাঙ হৌখিবা চহীগী অথেঙবদা ময়াই থংবা চিনাদা অহানবা থোক্লকখিবা লায়না অসিগী ইপিসেন্টরঅদু মীওই মিল্লিয়ন ৬০গী মেদিটরেনিয়ান লৈবাক অসিনা ওইরে।

ইটালিদা হৌজিক শিরিবা মশীং অসি মেনলেন্দ চিনা অমসুং ৩শুবদা লৈরিবা ইরানগা অনীগী অপনবা শীবগী মশীংদগী ফাওবা হেনগৎখ্রে।

# হৌজিক মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা ওইরিবা কোরোনাভাইরসকী ফিভম

***মেদ্রিট, মার্চ ২২(এজেন্সি)ঃ***

হৌজিক ফাওবদা অনৌবা কোরোনাভাইরস, কোভিদ–১৯না মালেমগী লৈবাক ১৬০রোম শন্দোকখ্রে। লৈবাক কয়াদা চাওনা অশি–অনা থোকখ্রে। লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিনা শোক্লিবসি চিনানা ওইরম্বদু হৌজিক ইটালিনা ওইখ্রে।



ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নোংমখক্তদা কোভিদ–১৯দগী মীওই ৭৯৩ শিদুনা ইটালিদা লাইচৎ অসিদগী শিবা মশীং পুন্না ৪৮২৫ য়ৌখ্রে মসি মালেমগী অপুনবগী চাদা ৩৮.৩নি। লাইচৎ অসিনা নাবগী মশীংসু মমাঙগীদগী ৬,৫৫৭ হেনগৎলক্তুনা পুন্না ৫৩,৫৭৮ য়ৌখ্রে, মসিসু অনৌবা রেকোর্দ অমনি।

লৈবাক অসিদা ইরাই নুমিৎতগী হৌনা মীওই ১,৪২০ শিখ্রে। মসি মালেমগী লৈবাক কয়ামরক্তা লাক্কিনবা মখল–মখা কয়াগী লৌখৎলিবা খোঙথাং অদু পান্দেমিক অসিনা থুগাইরক্লি তাকপা নুংশাথিনিংঙাই ওইরবা শক্তম অমনি।

চিনাদা নৌনা ৪৬ অমগা শিদুনা পুন্না ৩২৬১ শিখ্রে। অনাবগী মশীংনা ৮১,০৫৪নি। মসিগী মথংদা স্পেনদা পুন্না ১,৭২৫ শিখ্রে, অদুগা মীওই ২৮,৫৭২ লাইচৎ অসিনা নাখ্রে।

মসিগী মথংদা ইরাননা ৩শুবদা লৈরি, লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা নৌনা ১৬৯ শিরে হায়না ঙসি লাওথোকখিবগা পুন্না শিবগী মশীং ১৬৮৫ য়ৌখ্রে। নাবগী মশীংনা ২১,৬৩৮নি।

য়ু এস এদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না কোভিদ–১৯দগী শিখিবা মীগী মশীং ৩৪৮ য়ৌখ্রে, পুন্না নাবগী মশীংনা ২৬,৯০৯নি।

জর্মনিদা ৯৩ শিখ্রে, ২৩,১২৯ নাখ্রে। ফ্রান্সতা ৫৬২ শিখ্রে, ১৪,৪৫৯ নাখ্রে। সাউথ কোরিয়াদা ১০৩ শিখ্রে, ৮৮,৯৭ নাখে। স্বিটজর্লেন্দদা ৮০ শিখ্রে, ৭২২৫ নাখ্রে। য়ু কেদা ২৪০ শিরে, ৫০১৮ নারে। নেদরলেন্দসতা ১৭৯ শিরে, ৪২০৪ নারে। বেলজিয়মদা ৭৫ শিরে, ৩৪০১ নারে।

অতৈ লৈবাকশিংদা কোভিদ–১৯ নাদুনা শিবগী মশীংশিং অদুদি – নোরৱে–৭, স্বিদেন–২১, পোরটুগাল–১৪, দেনমার্ক –১৩, অষ্ট্রেলিয়া–৭, কানাদা–২০, মলেসিয়া–১০, ৱ্রাজিল–১৮, জপান–৩৬, টর্কি–৩১, ইজরেল –১, লুকজেমবর্গ–৮, আয়রলেন্দ–৩, পাকিস্টান–৩, দাইমন্দ প্রিন্সেস (জহাজ)–৮, গ্রীস–১৩, ইন্দোনেসিয়া–৪৮, সিঙ্গাপোর–২, রোমানিয়া–২, ফিলিপিন্স –২৬, পেরু–৫, ইজিপ্ট–১০, ইরাক–২০, সান মেরিনো–২০, অলজেরিয়া–১৫, অমসুং ইন্দিয়া –৭ অসিনচিংবনি।

# মুম্বাই, বিহার, গুজরাততা নৌনা ৩ অমগা শিদুনা ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা শিবা ৭ শুখ্রে, ৩৯১ নাখ্রে

***পাটনা /মুম্বাই, মার্চ ২২(এজেন্সি)ঃ***

মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই, বিহার অমসুং গুজরাততগী ঙসি কোরোনভাইরসতগী মীওই ৩ শিরে হায়বা পাউ লাকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা কোভিদ–১৯গা মরী লৈননা শিবা মীগী মশীং পুন্না ৭ শুখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা পুন্না মীওই ৩৯১ নাখ্রে।

বিহারদা হন্দক্তা কাটারদা



হোস্পিটাল অমদা শিখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ–১৯না নাবা মীওই ১৮ শুরে।

ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা হৌজিক কোরোনাভাইরসনা নাবা মশীং ৩৯১নি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরসশিং অসি ভাইরস ময়াম অমগী অচৌবা ফেমিলি অমনি। ভাইরস অসিনা চুন্নগী লোক থুংবদগী হৌরগা হেন্না শাথিবা

# কোরোনাভাইরসতগী ৩৪৮ শিখ্রবা য়ু এসকী ন্যু য়োর্ক জেলশিংদা ৩৮ পোজিটিব ওইখ্রে

# এক্সিদেন্টতা মীওই ১৫ শিখ্রে

